"তাইবঙ মীগী চিন্থোকপু কনানা হুকপা ঙমগনি। চাক মরূ অমতংনা চেঙকোক অমা মাঙহনবসু লৈ।"

-হিজম গুণ (তোনু লাইজিংলেম্বী)

# শৈরেং

## ঙাইজরি

**—শরতচন্দ্র নীংথৌজম**

নুংশি হায়না পাওজেনখি
পান্মুজে হায়নসু পাউদমখি
য়েন্নিংথাগী লৈরাংশিং তাহৌবনি
নাপল তৌবী মেরাগী থাজসু উহৌবনি
পান্বে লৈত্রা নুজাই অৱাবসে।

অহিং কয়া খাঙখি ইদোম
ইতা শিঙ্গারৈগী মখোঙদা
নোংঙাল্লমদাই কেলহৌবনি
মথম্মোয় কাইনা ইতৌ উবদা
তেংথাহৌবনি অয়ূক্কী লিক্লাসু।

থাজ নঙসু ইতৌসে উবিয়ু
লৈচিল নঙসু ইপাওসে তন্বীয়ু
পান্মু মাবু থেংনরবা করিগুম্বা
নুজাই থম্মোয়না কয়া ৱাজবা
পান্মু মপাউ কয়াদা তাজনীংবা।

## ঈ পীথক্লবা কংলাশা

**—হেরোজিৎ পুখ্রম্বম**

কংলাশা
ঐখোয়গী কংলাশা
ঙসিসু নমদুনা পীথক্লি নঙবু
থক্লিংদ্রবা অশাবা ঈ,
নঙনা থক্লিংদনা থক্লিবা ঈ
অঙাংবা মচু ওইজরবসু
নত্তে অদুঙৈ পীথকখিবা ঈ' দুগুম্বা,
মতমদুদা পীথকখিবা ঈ
নহাক্লসু খোয়দানা থকখিবা
ঈদুগী মহাউদা
নঙনা লাউ খোংখি অহৌবা খোঞ্জেলদা
খয়াৎ লাওনা কাথোক্নুনা
নীকখি মালেম পূম্বা
নঙগী খোঞ্জেলদা,
নঙক হাইগৎখি নঙনসু অতিয়া খেৎনা
লান ঙল্লবা লান্মীগুম।

ঙসিদি চেজেৎ উমশিল্লবসু
কাথোক্লম্বা নয়া
পীথক্লি নম হাদুনা;
ফুরুপ মশেলগী ঈ
তনৌ তনৌরবী থবাতোন কয়াগী ঈ
নঙগীদমক থৱায় কৎপা
ঙমগনি হায়জবশিংনা,
পান্বে লৈত্রবা হে কংলাশা
থক্লিংদ্রবা ঈ থক্ল-থক্লদুনা
নরু লুক্না খাঙলিবা,
হায়যু কয়াম কুইননো
কয়াম কুইননো খাঙগদবা।

## শিরোই লিলি

**— থোঙাম রোবেল**

হাদও লৈরাং নুংশিবী,
শিরোই চীংগী শিরোই লিলি !
ৱাংলবা লোইবী নাপোমদা,
শিঙেলনা নাইতোম শাৎপদি;
তাইবঙ মীনোক কিবরা?
হে লৈরাং নঙবু শকহেনবী
নশক্লা থাজবুসু হেল্লিবী।
খঙনরসু তাইবঙনা শিরোই লিলি,
কৌজবনি খুনগী লৈশা পাখঙনা;
লৈরাংগী কোলোয়বু কাশোং তিমরাৱোন।
হাদা লৈরাং কাশোং তিমরাৱোন!
ৱাংলবা শিরোই চীংদোনবু
কয়াগী মতিক খোইদারুবা।
মালেমগী মফম অমত্তদসু
লৈশাৎ তমনীংদে শিঙেন্না।
লৈরাংনা শাৎপদি চিক্লা-লেম্না,
তাইবঙগী কল্লক মিৎয়েং ৱাংমদা।
উৎলিবরা তাইবঙদা অচম্বা মতৌ,
তাক্লিবরা ঈংনা চিক্লা লেনজবা;
কল্লক মিহৌ কয়া থাদুনা।
মখোয়সিনদি অমুকসু ৱাজৈদো,
অসুম খল্লুরগা লৈরাং নঙগীদমক
ঙসিগী হোংলক্লিবা মহৌশাই শকলোনসিদা,
কায়থরক্লিবা প্রকৃতিগী খল মরকসিদা;
ঙমখিদবা লৈরাংনা শাৎচবা লৈকা ফন্না?
হে ঈং তপ্লবী শিরোই চীংজাও!
নঙদি তূমিন খাংলি মীওৎ-মীনৈ,
শাফু কয়ানা লৈরবসু মতমগী।
চেকশিন্না থন্বীয়ুকো নথানুংদা
তাঙলবী নমোম শিরোই লিলিবু।

## কুম্মৈগী ঈপাক্তা তাউরিঙৈ

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

কোরৌ নুমিৎ তরানি
য়ারৌ মাগী মতিক ময়াই
শক্ল শোন্নরম্লে হায়রগা
ঈথক ঈরাংদা তাওরিবা
শাবী শানৌ খিবিক্তো
খুরুপ থাদুনা চেন্নখরে
অৱাং কৌব্রু মায়কৈ তম;
য়ূমলোন্নবগী চেক্লা পান্মুবা
হাক্লসু লুনা খঞ্জবোই
হেন্নসু লুম্না লৌজবোই
লমগী ষণনা মচি শাংই
হায়নবদো পঙলান লান্দবরা
মীনা খোঙ্গুল তারদ্রবসু
ঐখোয়গী খোঙ্গুলদি মূৎফদেনা!

নপাম লমদম নুংশিবদি
য়ূমদাংবনা কৈনাবা হৌরক্লে
সনা খোংনাং লাইওইবা
মীরানচানা পল্লোন চনখ্রেদো
তারমদাইগী কোরৌ খুরুম্বা
থোক্লকপা মীওই লিশীংনা
তুরেল খোংনুং চনদ্রেদো!
হল্লক্লো তাদ্রবরা নখোয়বো
শিংজু শুবা হৌরসে
ময়াল পুদুনা মরাকউ
নবুক থন্না পীজগে,
মদুনসু লোইবা নত্তেদো
বোরা কুম্মৈসু মরাক্কনি
য়াওশঙ ফাওবদি লেপ্তুনবা।

## সঙাই

**—এম নিলকুমারি**

হংলকই; ইতাও সঙাই কুম্মৈ লোইখ্রবরা?
খুল্লকই লোইদি লোইখ্রে অদুবু মচিৎ মখাক খরদি লৈরমগনি
ইতাও ৱারী লীনবী শান্নসি।
ইতাও সঙাই চা থক্তে, অঙৌবা-অতাওবা, শিংজু বোরা চাদে
সিংহারা চাদে।
কৈবুল লমজাওদগী হেন্দোক্তে
হেন্দোক্লা চৎলুরবদি শদুম ওনবীগদবা
কয়া লৈ হায়বা খঙলমগনি।
মফম তরা সঙাই ঐগীদমক
মণিপুর হায়রবদি থিবদা ৱানা থোক্কনি;
সঙাইগী হরাও কুম্মৈ পাঙথোকফম হায়রবদি
মীশিংনা ইরায় লায়না খঙবা হেল্লি
ফোটো ময়ান্নী সঙাইগী মীয়াম্বু হরাওহনবনি
কৃক কৃক ইন্নবা পান্বা মখোয়গী মনীং থুংহনবনি।
কম্বোং মনৌ হুপ মতোন অশং অমান চাজদুনা
লৈজবা পুন্সি মখল অমনি
সঙাই সঙাই কৈবুল লমজাওগী সঙাই।

## কাইনখ্রবা মরুপশিং

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

নুংশি নুংশিনা
তিন্নজরম্বা মরুপশিং
কাইনখ্রে ঙসিদি
নীংশিংবতা মঙাইহৌরে
হৌখ্রবশিংদো।
ইদোমতা তূমিন্না
ফল্লদুনা খনখি
হঞ্জিন হঞ্জিন
মখোয়শিং অদুগী ৱাখলদা।
নোক্লা নোক্লা, হরাও হরাওনা
নুংশিনা শান্নখিবা ৱারী
কয়াদুনা অমুক লাক্লরোইদবা
মখোয়শিং অদো
নীংশিংবতা মঙাইরে।
নুংশি নুংশিনা কাইনখ্রবশিং
অদুগী মফমদা,
মরুপ অমনা
ঙসিসু নীংশিংলি নৌহৌননা।

## চৎলি হায়বতা মঙাইরবা

**—নাওরেম মঙ্গি**

চৎলি হায়বতা মঙাইরবা
পন্থুং খঙদবা খোঙচৎনি
হিংলি হায়বতা মঙাইরবা
মহাউ য়াওদ্রবা পুন্সিনি।

মতমগী নোংলৈ নুংশিৎনা
থাপ্পা লংথোকপীরবা মপোকসে
নাইতোম তাদুনা লৈহৌরে
অমোৎ অকাই মরক্তা।

শুক্লা মল্লবা অহিংদা
মঙাল অমত্তদি পীবিয়ু
পোদোলগী মৈঙাল ওইরবসু
নোংলৈ নুংশিৎ মরকসিদা।

## হে অমুবা খোইমু

**—নিংথৌজম বীমোলা লৈমা**

হে অমুবা খোইমু খোয়রাবা
নহাকসে মুবদা নত্তে
থম্মোয়সু খোয়না মুইকো
পোমশাৎনবী লৈরাং কয়াবু
লৈখোক্তা নৈহৎপীদুনা খুইথদুনা মাঙহনবা।
পোমশাৎনবীবু লৈশাৎ তম্বসু ঙমদনা
কয়াদা ৱানা খাঙলিবা
ফৎতেদকো নঙসে কুচুগা মান্নেদো
মুবতা নত্তে থম্মোয়সু মুইকো।
লৈরাং মনা কয়াদি ৱানা খাংলিবা
অহিংগী লিক্লানা অমুক য়ৈ
অয়ূক্কী লিক্লানা অমুক য়ৈ
অতিয়া মকোয়দা ঙাল্লিবা
থা, থৱান্মীচাকশিংবু উরুবদা
কয়াগী মতিক ইকায়জবা
ফৎতেদকো কুচু মুবা নহাকসে
মুবতা নত্তে থম্মোয়সু মুইকো।
ইপান্থা কুমগী নোংজুনা লাকপদা
বসন্ত মাসু অমুক লাক্লেদো।
য়েন্নিং অমুক হুল্লক্লে
অদুবু লৈরাং ঐদি লৈশাৎ
তম্বসু পামজদরে অদুবু
মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না
শাৎতবদি য়াদেদো, করম্না লৈশাৎ তমগনি।
থা থৱান্মীচাক নখোয়না ঐবু নোক্লবিনুকো
ঐসু অমুক্তংদি মপূং ফানা লৈশাৎ তমজগেকো
কুচু মুবা মহাক লাক্লবসু
অমুক হন্না য়েংখররোই।

---

**মতম মতমগী ৱাখল**

# অঙাং ওইরিঙৈ, নিংথম থাগী ৱারী



নিংথম থাগী উরি-ৱাউরীবা সুংঙৈগী মতমসি, ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ স্কুলগী পরিক্ষাসু লোয়নরকখিবা মতমগা য়াম্না চানখি। অঙাং ওইবনা য়াম্না নুংঙাইখিবা মতম ওইখি। ফুরিৎ অথাবা জেকেট ঐখোয় খঙলকখিদে, লৈরগসু লৈদুনা শেৎ চাবা ঙম্নদে। ফুরিৎ জর্সি খূনিং শেগায়বা লিৎলকখি। ফুরিৎ অমনা ফনা চহী কুইনা চৎলি। শেগায়রসু অদুম লিৎলি। ৱাহৈসি খরদি ফজদ্রে পাউদি তম্নিংলি। অঙাং ওইরিঙৈগীনি করিসু কায়দে। অঙাং ওইরিঙৈদা শেৎপা খোংগ্রাওদা, থুনগী শরুকসি য়াম্না শেগায়গল্লি। শেগায়বা মফমদা ফি মচেৎ থারগা ফোৎতুনা শেৎনরকই। শেগায়বা শেৎপদা ইকায়নদে। শেগায়বা খোংগ্রাও ফুরিৎ ফোৎলগা শেৎপনা খরবু হেন্না লুম্বগুম্নসু তৌই। খ্বাংদা ফি কিশি কিরগা তুংলোমদা পোবগুম্না ইল্লগা নুশিৎ পাইবী শান্নে। নুপামচানা ফি ইনবসি চৎনরকই। ইনগদৌরিবা ফিগী খুৎইনসি নুপীগুম্না ইনবা নত্তে। ওন্থোকপা মওং অমনি। কোক খুল্লগা সেগা ওন্থদুনা মাঙদা কিশিগা কিবা য়াম্না চেকশিনবা খূইন্নি। ফি ইন্না ইন্না লাক্ল ফানবা, চেনবা চোংবা য়াবা নুপামচাশিংতনা শেল্লগা ইঞ্জবা মওংনি। ঙসিগী নুপামচাশিং ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ইল্লকপা ফি অদুগুম্না ইন্নদ্রে । নুপামচানা ইনবা ফিদি, কুইনা কুইনা শুদনা ইন্নবনিনা মখোয়না ইনবা ফিগী মনমসু তোঙাল্লি। নাপী মরক্তা ওল্লুবগী, লৈপাক্তা ফমজিল্লুবগী, শান্নরুবগী হুমাং মনমগা য়ানশিন্নরগা ওইরকপা নুপামচাগী মনম তোঙাল্লি । ইচে ইচলশিংনা লৈহীং নম্মী, ঙাহিং নম্মী চৎথোকখ্রো হায়দুনা হেক হেক তান্থোকপী।

পোইনুগী লৌবুক, নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা লম্পাক্তা, শান্নবুংদা চেন-চোংদুনা ময়াম শান্নমিন্নে। তেলঙ্গা শাদুনা পাইবা, ৱাংনা থাগৎনবা, তেলঙ্গা ককথৎনবা,তেলঙ্গা তৎলগা পাইখিবা, ৱাতোন্দা পনবা খুনবা চৎপা তৌনরকই। নুংশিৎ মপী শারগা চেন্দুনা পাইনবা উংবা তান্নদুনা শান্নে। ৱাপল্দা হৌবা ৱা য়াল্লগা কাংজৈ শাই। ৱাচেৎনা থাংশাং শারগা হাইদুনা থাং য়ান্নবী শান্নে। অৱাংবা উ কারগা উচেক মরুম লৌথবা,খোই মহুম থুগায়বা, খোইনা চিকপদা পাঞ্খোকলা থৎলগা চিকখিবা মফমদা তিন থাক্লগা তৈশিনবা ওন্থোক ওন্থোকপা ঙাক্তনি। অঙাং ওইরিঙৈগী নুপামচাগী শাহৌ পূন্সি মহীং অসি লৈকাই লৈকাইগী মান্নদবা লৈ। ঐখোয় মূক্লা, মরুম কোনবীদি শান্নরক্তে ।

চীংয়াগী লৌবুক্তা,লৌ য়ৈনরুবা ময়াম মরি মরি কাখৎনরকপা, লৌবুক্তগী ফৌবোৎ থন্না ষণগাড়িনা লৌবুক্তগী চিংখৎনরকপা উই। নুমিদাং অথেংবদা,ষণগাড়িনা ফৌবোৎ থন্না হাপ্লগা লমজাও সরক্তা চিংখৎনরকপদা লূল্লবা ষণগাড়িগী কাংখ্রোং চাকানা থাও য়াওদনা কংনা তক্লবগী মখোলনা কপ্পগুম্না লাপ্পা তাবা ফংখি। নুংথিল নুমিৎ চুপ্পা লম্পাক্তা শান্নরুরগা, কাবক কাবক মমশিল্লকপা মতমদা, ষণগাড়িদা চরু মপোৎ পীক থন্না হাপ্লগা কাখৎলকপদা, নুপামচাশিংনা মনিংদা লোৎনা চঙলগা চরু মপুন মপুন চিংথরগা মৈ তিকলকখিবা মদুগী নুংঙাইখিবা মরক্তা ঐখোয় য়াওরকখি । মৈ কোয়না তিক্লগা নৎত্রগা লম্পাক্কী লুম্বু শাবা নাপী মথক্তা ময়াম ইকোয় কোয়শিন্না ফল্লগা পাখোং য়াম্না চন্নরকখি। ৱারী লীরগা তাবা,পাখোং চন্নবসি য়াম্না চৎনরকই। নিংথম থাদা,অঙৈংবা নুংশিৎনা য়ৈবদা নুপামচাশিংগী খোঙ খুৎকী খুনম, খোঙনম কায়দুনা ঈ ফ্রু ফ্রু থোকপা, খজাই চিনবান কায়বা ঐখোয়সু শরুক থুংলকই। মমশিল্লক্লবা মতম,লম্পাক্তা শান্নরিঙৈ ইমানা কৌশিনবা লাকখি। চরু মৈদা য়াংলগা নৎত্রগা ষন্থিনা শীং ওইনা থাবদা মৈখুনা মিৎ থুপ্পা, চিন্না কাল্লগা মৈ চাকহন্দুনা ঈশিং খোঙহামপুলদা শাহল্লগা ইমানা অকায়বা খোং খুৎ ফদিনা তকপগী নাখিবা নীংশিংলকই। ৱামৈ থাবগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। ৱাই বোরা লৌরুরগা ৱাইনম মৈফু হায়দুনা ঈশিংসু লুম্বা, চাকসু থোংবা কন্না তৌনরকখি। য়ুমগী মতেং পাংবা ওইনা ষন্থি খুনবা, শীং চনবা চৎলকই। ষন শেনবা, ষন হোইগৎপা, ষন চরু ককপা, শীং খায়বা, ইঞ্খোন্দা হৌবা য়েন্সাং ঈশিং চাইবা য়াম্না তৌরকই। শান্নরিঙৈদা কৌরকপা পাখোন শিবসিমদি খ্বাইদগী শাওনিংখি। নীংথম থাসি কুম্মৈ ৱাৎতে, শুন্মাং লীলা য়াম্না তৌই। থাপ্না মাইক খোঙবা, লীলা হৌবগী ধল্লক মখোল তাবদা ময়াম চেন্নবা মিৎতা উরি । শুন্মাং লীলা য়াম্না য়েংলকই। শুন্মাং লীলা য়েংলুরগা মতৌ তমদুনা অঙাংগী শুন্মাং লীলা অমুক শান্নে।

নীংথম থাদা পুখ্রিশিং, খোংবানগী ঈশিং লোইনা কংনখি। ঈংখ্রবা পুখ্রি খোংবান্দা কূল্লগা থরোই ফারুই, ঙাপ্রুম তাল্লুই। করিগুম্বা মতমদা ইমান্নবা খরা পুল্লগা ঈশিৎলগা ঙা ফারগা চাক চান্নে। খোই য়াম্না চোপ্পরকই। তুরেলদা খোই চোপ্পা চৎলি । ঙাদি অমা অনীদনি ফারকখিবা,ঙা ফারকপগী হরাউবা নত্তে, নুংঙাইবগীনি। উনা অকংবা খোল্লগা মৈ থাবদা মৈখুনা পিগা ওরো ওরো তাবদু তিকপগী নুংঙাইবা লৈখি। মৈশা ফংবদি নত্তে। ৱারক্তা,লৌবুক লম্হাংদা তন্দন্না কুফেৎ কাফেৎ পাইবা নিংথম থাদা য়াম্না উখি। তন্দন ফারগা লিক্লি মনুংদা হাপ্লগা য়োকলকখি। নুপা মচা হায়বসি মথোংদি কয়া চাদে। মরাল লৈতবা তন্দন্দু খুৎনা মেৎখায়রগা মাগী রেডিয়মগুম্না ঙাল্লিবা অদু লৌরগা লৈমায়দা তৈশিল্লগা মঙাল থোকহনগদৌরিবনি হায়না শান্নখি । নুপামচাগী মরুওইবা শান্নপোৎতি নাওরি কাপ্পনি। নাওরি, শাইরোং মরু তাবা, নাওরি পায়রক্তবা নুপামচা অতাঙবনি খল্লি। ঙসিগী নুপামচাশিংদি নোংমৈ মাল্ল-মাল্লবা শান্নপোৎ য়াম্না মমল তাংনা লৈরগা পায়দুনা শান্নরি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদি পোকলাওবী কাপ্পনি। পোকলাওবী শারগা শম্বল্লে নমথিবী মরু,হৈক্রেং মরু হাল্লগা কাপ্লে । নুপীমচাশিংনা লাইধি, দুকান ফম্বী, ফি শাবী,পোৎয়োনবী, চাকথোংবী শান্নে। নুপীমচা মরক্তা নুপামচা শান্নবা পাক য়াওনদে। নুপীমচাশিংনা য়াওহন্নীংদে । করিগুম্বা য়াওরগদি শোয়দনা খৎনগল্লি । কনাগুম্বা নুপীমচানা নুপামচা মরক্তা শান্নবা য়াওবসু লৈ । নুপীমচানা নুপামচা অমগুম্না হৌরকপা,মীকী লাইকীদবা, উ কাবা, ঈশিংদা চোংথবা, শারিৎ শারাক হৈবা, নুপামচা অমগী লমচৎ চৎলকপসু অদুম য়াওনরকই। খরদি তাঙনা থোকই।

মীওইবগী লমচৎ হায়বসি নুপা অমদি নুপী ওইরকপগী মতুংইন্না, অঙাং ওইরিঙৈদগী খেন্নবা থেংনৈ। নুপীমচাশিংনা পাঙ্গল শোল্লি,কিগল্লি,খংগল্লি লাওগল্লি। নুপীমচাশিংনা লৈ পরেং লেংনিংঙি । নুপা মচাশিংনা লৈ শেগায়রগা শান্নে। ঈশিৎলগা ঙা ফাবা পান্মী । নুপামচা নুপীমচা শান্নমীন্নদবদি নত্তে। পূল্লগা শান্নবা মশান্নশিং- অমাংবী তান্নবী, উরাওবী,খুলোকপী শান্নবা, ফিবুল হাবী, পাওখোং চন্নবা, চেনজোং মাংজোং অসিনচিংবা ফনা য়াম্না লৈরি । অসুম্না লৈকাইগী মচন মচেশিং, পোকমিন্নবা মচিন মৌপ্পা অঙাং ওইরিঙৈদগী নুংশিনা তিন্নদুনা লোয়নদুনা শান্নমিন্নরকই। নীংথম থাগী মতমদা মৈফুদা পান,আলু,হৱাইথারাক লৌদুনা চামিন্নরকই। ইঞ্খোল শম্বলদা ফংবা উনা অকংবা খূল্লগা, শীং মতেক থিদুনা খুল্লগা মৈ থাদুনা চাকথোংবী শান্নে,উতোং চাক হৌদুনা কোবী কংঙৌ ঙৌদুনা চামিন্নরকখি। নিংথমথাদা নুংশাদা চাক পুথোক্লগা নুংশা য়াইরগা চাক চামিন্নরকখিবা কয়াদো উদবা কুইরে । চাউরক্লবা মতমদদি নুংশিনরকপা লৈকাইগী মচে মচল, পোকমিন্নবা মচিন মৌপ্পা মীতোপ ওইরকখি। কৌনরক্তে, ঙাঙনরক্তে।

ফনা য়াম্না চেন চোংদুনা শান্নরুরগসু লাইরিক ঔরাইবা মতমদা পূক্লিং চঙনা পাবা হায়বসিমদি অঙাং ওইরিঙৈদা হৈনবী ওইনা লাকখি। ইলেকত্রিক বল্ব থাল্লগসু মম্মী। লাইরিক পাবদা উদে অদুনা খর ঙান্নবা লালটেন (লেনর্টন লাইট), পালং, পুদোন থাউমৈ অসি ঙাক্তা থাল্লগা শীজিন্নে। মোমবর্টি অসি ঐখোয় কয়া শীজন্নরক্তে। কয়াসু উরক্তে। টেবলদা লাইরিক পাবা হৈনরক্তে। ফক থারগা কম্বল (ব্লাংকেত) মচা অমা শুপ্লগা পাকথরগা লাইরিক পারকখি। খূনিংগী ফুরিৎ তৎলিবসি পাকথরগা খূনিং শৌরগা লাইরিক পাবদগীনি। খোঞ্জেল লাওনা মখোল হৌনা পাবা চৎনরকই। মখোন থোক্লা লাইরিক পাদবা ইমানা চৈরকই। ইমানা ফিশাকোন্দা ফি শাই ঐখোয়না মাঙ্গোনগী মচি অমদা লাইরিক পারকখি। লাইরিকপু পারবদি উইবসি শোয়দ্রে । নিংথম থাদা মৈফু ইনাক্তা থল্লগা লাইরিক পাবদা মৈফুদগী কাপথোকলকপা মৈরিক্লা ফিদা চোংলগা য়াম্না চাকখি। ইল্লিবা ফি মৈনা চাকখিবগী মফুৎ মফুৎ লোইনা হোখি । মৈফুগী অহোবদা হৱায়থরাক ইনশিল্লগা লৌরগা মুনফাৎতনা চাবগী মহাউদু কাওদ্রি। লৌথোকপা নংহৌদবদগী মৈনুংদা কাখিবা হৱায়থরাক মরু ফজবনা মৈতান ওনখিবা মিৎতা উরকই। মৈফু মথক্তা ঈশিং থাংগৎপা, মৈ য়াইন য়াইনা লাইরিক ঔরাইরিঙৈদা, মৈফু মথক্তগী শীং তারকপা, ঈশিং অশাবা হৈজিনবা থৌদোক য়াম্না থোকখি।

হে নিংথমথা, নীংশিংলুবদা নুংশিবা কয়া মিৎ অসিদা মথং মথং উরকই। অঙাং ওইরিঙৈগী মতম, মহৌশাগা শাগোন্নরকখিবা পূন্সি ঙরাংতা ওইরবোই নীংলি। নিংথম থাগী মৈফু তিকখিবগী ৱাইনা পুমচায় চায়রবা মাঙ্গোল,কৌতা অহাংবা থিরগা, মখুন হুৎতুনা মৈফু মচা শারগা মৈ তিকখিবা, লোংগাড়ি শারগা শুন্মাংদা লৈরক্তা ওল্লকখিবা, ৱাপন্দগী লুকাক খুল্লগা মৈ তিকলকপা, নুংশা য়াইরগা ইচনশিংগা চারা ৱানমিন্নখিবা, ইঞ্খোলগী য়েনশাং হৱাইথরাক মরক্, হঙ্গাম ফৈদোম কারক্তা বোরা থারগা নুংশাদা লাইরিক পারগা ফাখিবা 'নাইতোম তাবা যাত্রি' কৌবা রাজকুমার ঝলজিৎনা লেংবা শৈরেং নীংশিংলকই। "মল্লবদি লম্বীনি চৎমিন্নসি হৌরুনু কনাননসু য়ারক্লোই, উমং ফাওনা চৎপনি, হন্না য়েংনা কৌরুনু কনানসু খুমলকলোই।"ঙসি পোইনু থা লাকপসিদা অঙাং ওইরিঙৈদগী নিংথম ৱারী কয়া নীংশিংলকই । মতমদো নুংশিরকইদা । ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

---

**ৱারী ককনাউ**

# সঙাই অমসুং পোনি

"ইতাওবী... কমদৌরি?"

"ইতাওবী করি হায়নবু খুমদৌনো খঙদেদা, ৱাই হায়হৈদবনিনা নুংঙাইরি হায় তাবনিনে"

"ইতাওবী হন্দক্তি নুংঙাই নুংঙাইবা পাউ য়াম তাইকো"

"ঐগী?"

"হোইনে ইতাওবীগী"

"করি পাউনো ইতাওবী?"

"ইতাওবীদি য়াম ৱাংঙেনে"

"কৈনো হায়সিবো?"

"ইতাওবীদি নমিংগসু ওনদৌরমাল্লেনে"

"কনানা হায়রিনোনে? ওল্লোইদা"

"ঐনা তাবদদি ইতাওবীসি সমাদোন কৌদৌরে হায়না সুম তাবা"

ৱাদু তাবদা মৈতৈ শগোল (পোনি) দু নোকথোরক্লি।

"হা হা হা হা ... কাইদৈনোদা কনানা হায়রিনো ঐনা লাইদুবু ওনবা ঙম্বা নত্তে। হোয় অমরোমদা শিরদি লাই ওল্লে হায়নৈ। ঐনা শিরগা লাই ওনদৌ মঙাইরে"

"কাইদৈ ৱানোদা, কৈদৌ শিদোইনো? ইতাওবীদি শিবা নাইদনবা অসুক কন্না হোৎনরিসিদি?"

"কনানা ঐবু শিদনবা করি হোৎনবীরিবা? তানীংদেদা ইতাও সঙাই। ঐগী ইপা ইপু লোইনমক শিজিল্লক্লে। মণিপুরসিদা ইতাওবী ঐগী শাগৈ নাতৈসি কয়া য়াম্না লৈরিগে অমুক্তা য়েংবীয়ু। চীংদা মান্দা লৈরিবা ঐখোয়সে পুল্লপ পুনশিল্লগা লিশীং ফানা লৈবা নত্তে। ঐনা খনবদা য়াল্লবদা ঐখোয় ৫০০ খরা হেল্লমগদ্রা, অদুফাও ঐদি থাজদে। অমত্তা লৈত্রবনেমি"

"অদু ওইরসু চীং মতোন্দা ইতাওবীগী শক্তম অমা চাউনা লুপা য়াম্না চঙনা শাদনগা তৌরিদুদি। অদুনা মতম চূপ্পগী ওইনা ইতাওবীদি লৈহৌরনি কৈনো"

"অদুদি ইতাওবী ঐখোয়গী লোইশিল্লমদাইগীনি। হিংলিবা ঐখোয়গী ইশক ইতৌ য়েংলগা শারগা খিল্লগা থমহৌরদি অদুঙৈ পোনি কৌবা শগোল অমা লৈরম্মী হায়বদু মুৎত্রেদনা, অদুগী ৱানিদা ইতাও। ঐখোয়না অহিংবা ওইনা লৈবদি ওইররোই"

"হা অদুরা?"

"মানি ইতাও"

"চুম্মীনে, ম্যুজিয়মদা থম্বা হায়বসিমক্তবু লোইশিল্লক্লবা, লৈরক্ত্রবা, মুৎখ্রবা ঙাক্তনিকো। অদুদি ইতাওগী শক্তম অচৌবা অমা শাদুনা চীংদোন্দা খৌশাদুনা লৈদৌরিদু ম্যুজিয়মদা থম্বা তারেনে?"

"অদুমক্কীনে ইতাও। অদুবু লৈহৌরদি হয়েং তুংগী মীরোলনা ঐখোয় অহিংবা পোনি উদ্রসু শক্তমদু ওইনা উজরেদনা অদুগীনিনে ইতাও"

"ইতাও নঙগী ৱাসি তাবদা পূক্লিংবু নুংশিখ্রেদা"

"ইতাও, ঐখোয়না নীংথমথাগী ঈংখ্রবসিদা লম্বী সরক্তা অহিং য়ারেক্লিবা, চানবা চিঙ্গাক ফংদদুনা লম্বীদা হুন্দোকপা অমোৎ অকায় চারিবা, প্লাষ্টিক য়াওনা চাশিনবদগী শিরিবসি কয়া শুরে ইতাও। য়াম্না শিখ্রবজাৎনি। গাড়ীনা থোমদৎতুনা শিবা, অশোক অপন নংদুনা লম্বীদা তাদুনা লৈবদা মখোঙনা অমুক কাউশিনবীরম্মীবনিনে ইতাও। খল্লুরগা পূক্লিংসে য়াম্না নুংশিরকইদা ইতাও"

"অদুদি চুম্মী ইতাও, মী খুদিংমক মচিন্দদি মৈতৈ শগোল কনগদবনি হায়না কন্না কন্না লাউরি। অদুবু ইতাওহোইগী লৈফম চাফম অমা ফাওবা শেন্বীদে। লম্বীদা চিঙ্গাক থিবা থোরক্লবসু ইতাওখোইসি কার মনুংদগী মচিন থী থীদুনা চৈবিবা ঐ য়াম্না তারে। অদুগা তকসু তকখায়বীরম্মীনি। ইহে, ঐ কৈনোমা নীংশিংলক্লে ইতাও"

"করিনো?"

"শগোল কাংজৈ শান্নবদা মমিৎ মনা য়াম্না শিংবা, লমজেলগসু য়াম্না য়াঙবা অমা লৈরম্বদো"

"উম খঙই"

"মদুসু গাড়ীনা তকপীরম্মগা কনামত্তনা হন্না য়েংবীদদুনা শিখ্রমাল্লেনে"

"শিখ্রে য়াম্না নুংঙাইতেদা। কান্নদে ইতাও ৱারীসি তোক্লসি। ঐখোয়গী ইমিং শোন শোন্দুনা মখোয় লৈহৌরসনু, ঐখোয়দি লোইনা তূল্লগদবনি। অসুক ৱানা হিংলিবা ঐখোয়সিবু অমুক, থানা-সিফাইশিংনা লানগী মওংদা তোংলগা শীজিন্নরনি, মী হোন্দোক হোঞ্জিন গাড়ী চিংনহল্লনি গাইনা অমুক তৌখৎলক্লিসিনি। ঐখোয়দা শিখ্রগা মোই পেল্লদবনি"

"উম ইতাওবী নোইগী ৱারীসি তারগা য়াম্না নুংঙাইতেবো। অমরোমদদি ঐখোয়না খরা অমুক ফরিয়ে, ইতাওবীহোইগা য়েংনরুরদি"

"য়াম ফৈদা ইতাও হোইগীদি"

"ইতাও ঐখোয়সু অদুমঙাইনে। লোন্না লোন্না ঐখোয়সি য়াম্না হাৎপীখ্রজাৎনিনে। ঐগা খঙনজবী, কাবক কাবক কোইজবী য়াম্না নুংশিজবী অমা লৈয়ে। ঐখোয় অনী পূন্না হানৌ চামিন্নরিঙৈদা ফাবিরগা পুবিখ্রে অদুগা মখোয় ময়াম চাক চানথোকখ্রে। ঐ কয়াম নুংঙাইতে। অদুগদি ঐখোয়গী শক্তম মচা মচা ময়াম অমগা শারদনা ময়াম মমাঙদা থেন থেন্দনা হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেলদুদা থম্মীদু উদ্রা?"

"উই ইতাও"

"ইতাওবী অশাবা ওইনা লৈহৌরসনুদা, অহিংবা ঐখোয়না মোই ময়ামগী মবুক পেঞ্জরসনু। খল্লুরগা খোইদৌসি য়াম্না শাওগৎলকইবো ইতাও। সঙাই ফেষ্টিবেলদা ঐখোয়গী অশাবা ইকোক চিরোং পানবদু মোইগী ষ্টেজদগা থেৎতনা দেকোরেসন তৌরিদু উদ্রো"

"হোইনে উইনে ইতাও"

"মদুনা তাক্লিদো অতৈ অমত্তা নত্তে"

"করিনো ইতাও"

"ঐখোয়সি ঙক কক্লগা লোইনা হাৎলগা ময়ূম ময়ূমদা থেৎলনি হায়রিনিনে"

"ইশ! কিরেদা"

"কান্নদে ইতাওবী, ঐখোয়সে ইমিং পুথোক্লগা মোই ময়ামগী কুম্মৈ ওন্থোক্লবনি। জ পানগী বুদ্ধিষ্ট টেম্পলগী মনাক্তা শজি লিশীং মঙা হেন্না লৈ। টুরিষ্টশিংগী মনাক্তা কোইচৎ চৎতুনা শজি ময়ামদুনা লাক্লিবা মীশিংদুগা হরাওনা লৈমিন্নে। চামিন্নে। অদুগা ঐখোয় সিদনা মীনা ঐখোয় উবদা হাৎকদগী তান্নে। ঐখোয়সু মী উবগা হিংনবা চেল্লি। অদুগসু ঐখোয় সঙাইবু খঙদবনিগাইনা লাউজশারিয়ে। হন্দক্তগী ঐখোয় অহিংবা খরসে মোইনা ঙাঙবা তাদনবা নাকোংদা লশিং লোইনা মেল্লসি হায়নরে ইতাওবী"

"ইহে! ইতাও, হায়নরিঙৈদা তু আদা মী খরা লাক্লে"

"ইতাওবী চেল্লেহে শিদনবা, ইতাওদি চাবীদবনিনা ফৈ, ঐদি চেল্লেকো"

ৱারী নুংঙাইনা শানজরম্বা সঙাইদু চোং চোংদুনা চেনখ্রে। মৈতৈ পোনিদুদি মঙক থাঙ্গৎতুনা মার্জিং লোমদা ওন্দুনা মাগী শক্তমদু য়েংনবা কন্না হোৎনহৌরি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**